**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-10-2025)**

**পুলিস(এল)** ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন মমাংদগী ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেট কিলোগ্রাম অমরোম পুরন্বা বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই অমা ঙরাং ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেনাপতি জিলাগী মাও পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফম অমদগী ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা সপোন কেপ ৯ দা হাপ্তুনা পুরন্বা মীওই অমসু ফাগৎখি। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাউবীথেক মনিং লৈকাইদগীনি হায়রি।

**দেঙ্গি (এল)**ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়চৎ পাক শন্না শন্দোরকপা লেপত্রি।

মনিপুরগী ওইনা লৈরিবা সরকারগী মরুওইবা হোস্পিতাল অনি-রিমস অমদি জেনিমসতা দেঙ্গি লায়না লায়েংবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রিমস হোস্পিতালদা ঙরাং মীওই ৮৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২২ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। অদুগা, লন্নাই হোস্পিতালশিংদা মীওই অহুম টেষ্ট তৌবদা অহুম্মক পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

জেনিমস হোস্পিতালদা ঙরাং মীওই ৯৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫২ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হোস্পিতাল অসিদা দেঙ্গি নাবা মীওইশিংগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা তোঙানবা ৱার্ড অমা হাংদোক্কুনা থমলে।

**চান্দেল (এল)** ঃ চান্দেল জিলাদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ওইবা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা লোরোক কুম্মৈ ঙরাং জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা খুঞ্জাশিংনা জগোই-ঈশৈ অমদি লাইনিং

লাইশোলগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

**এআর ঃ** ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন-সিক্স পোইন্ট জিরোগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং অসাম রাইফলসনা শিনদুনা স্বাস ভারত, সাস্থ ভারত থৌরম নাগালেন্দগী দিমাপুরদা লৈবা কাশিরাম বস্তিদা পাঙথোকখ্রে। মসিনা মীয়ামগী মরক্তা ইশা ফনা অমদি লু-নান্না লৈবা ঙল্লগনি।

**রিও ঃ** নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা নহাশিংনা মীনুংশিগী ওইবা লমদা হেন্না চংশিনদুনা মপাঙ্গল কলহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

নাগালেন্দ ষ্টেট ব্রান্সকী ৩৮ শুবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রিওনা হায়-নহাশিং অসিনা মীয়ামগী ৱাখল্লোনশিংবু হেন্না মমুৎ তানা খঙজিনদুনা মৈরা পায়দুনা লমজিংলসি। মনুং হুনজিন্না লৈবা মফমশিংদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মখোয়গী মতেং পাংখি। ঐখোয় ঐখোয়গী থস্মোয়নুংদা মীওইবগী মীনুংশি অদু কৈদৌনুংদা লাপা থল্লোইশি। মতম পুম্বদা ঐখোয় পুমমক মীনুংশিগা শগোন্নদুনা চৎশি। মীপুম খুদিংমকা মালেমদা শিনরক্লিবা খুদিং অসি থেংননবগীদমক খাঙবা কনবা অমসুং কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌসি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নহা লিশিং ৫১ দা এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ঙসি য়েন্থোক্লগনি।

শ্রী মোদিনা রোজগার মেলাগী মখাদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা নৌনা থবক খল্লবা নহাশিংদা এপোইন্ট লেটরশিং অসি খুৎশিন্নগনি। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা রোজগার মেলা অসিনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা পাঙথোকপা ১৭ শুবা নহাশিংদা সরকারগী থবক ফংহনবগী থৌরাংনি।

নীংশিংবা য়াই, ১৬ শুবা রোজগার মেলাদা লৈবাক অসিগী নহা লিশিং

৫১ দা এপোইন্টমেন্ট লেটরশিং য়েন্থোকখি। হৌজিক ফাওবদা নহা লাখ ১০ হেনবদা এপোইন্টমেন্ট লেটরশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জিতেন্দ্র সিংহ অমসুং রোড ত্রন্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় তমতা শরুক য়াগনি।

**মিটরঃ** কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি-মনোহর লাল খতরনা হায়রি-লৈবাক শিনবা থুংনা স্মার্ট ইলেক্ট্রিসিতি মিটর মিল্লিয়ন ১০০ ইন্সতোল তৌনবা সরকারনা পান্দম থল্লি। মসিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা মিল্লিয়ন তরাদি ইন্সতোল তৌখ্রে।

হরিয়ানাদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্নিনা হায়-স্মার্ট মিটর হাপ্পা অসিনা কঞ্জুমরশিংনা ৱাকৎপদা লায়না থোক্লগনি। কঞ্জুমরশিংনসু মখোয়গী মৈ শিজিন্নবগী চাং মপুং ফানা য়েংশিনদুনা মৈ করমা লিকা শিজিন্নগদগে হায়বদা মিটর অসিনা মতেং পাংলগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা মেত্রো রেল লাইন কিলোমিটর লিশিং ১,১০০ হেন্না শেমগৎখ্রে। ভারত অসি মালেমগী মেত্রো রেলগী লমদা অহুমশুবদা লৈরি। অথুবা মতমদা অনিশুবদা লৈরক্লগনি হায়রি।

মহাকা হায়-হৌজিক হৌজিক সহর ২৪ দা মেত্রো সার্ভিস থমদুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লি। মতম খরগী মতুংদা সহর ২৯ দা মেত্রো সার্ভিস লৈহল্লগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিনা চাউখৎপগী লমদা খোংজেল য়াংনা মাংলোমদা চংশিল্লক্লি অমসুং বিহারসু লম অসিদা চংশিল্লি।

মেরা বুথ, সবসে মজবুদ থৌরমগী মখাদা বি.জে.পি-এন.দি.এ. করিয়াকরতাশিংগা ভরচুয়েল ওইনা উন্নবগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-কেন্দ্র অমসুং বিহারদা মপুং ফাবা সরকার অমমম লৈদুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা পুরি। বিহারনা লৈবাক অসিগীদমক কেন্দ্র সরকারগা চৎমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা চাউনা থৌদাং য়ারি। মহাকা হায়-হন্দক্কী মীখল অসিদসু বিহারদা

শুংশোই শোয়দনা এন.দি.এ. সরকার লৈগনি। মহাকা হায়-বিহারগী মীয়ামনা রাজ্য অসিদা অমুক হন্না জঙ্গল রাজকী সরকার পামদ্রে। এন.দি.এ. সরকার অসিনা বিহারগী মীয়ামবু জঙ্গল রাজগী অমস্বদগী অনৌবা চাউখৎ থৌরাংগী মঙালগী লন্বীদা পুরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-দবল ইঞ্জিন সরকার অসিনা ২০১৪ দগী হৌদুনা বিহারদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়কৎতুনা লাক্লি। তুংদসু রাজ্য অসিদা টেকোলোজিগী হব অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা স্তার্টঅপশিং য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা দিফেন্স এক্তিভিসন কাউন্সিলগী মীফমদা আমর্দ ফোর্সেসপু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক্তা লুপা কোতি ৭৯ লোম কায়থোক্লগনি হায়রি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-ভারত লান্মীগী তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈননবা ঙাকশেল মন্ত্রিনা থৌরাং অসিবু অয়াবা পীখিবনি। নেভি অমসুং ইয়ার ফোর্সকীসু তোঙান তোঙানবা অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিং হাপচিল্লগনি হায়রি। থৌরাং অসিনা কংফাল, ঈশিং অমসুং নোংথক্কী লমদা ঙাকশেলগী থৌরাংদা হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি।

**নোংঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-কেরলা, করনাতক্কী সমুদ্র খোঙবানশিং, মাহে অমসুং অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎতা ঙসি অকনবা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেস, কোনকান, গৱা, মহারাস্ত্র, তামিল নাদু, পুদুচেরি, করাইকল অমসুং তেলঙ্গানদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লমদম খরদা ঙসি নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মীতিং ঃ** কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লগা জর্মনগী ইকোনোমি অমসুং ইনর্জিগী ফেদরেল মন্ত্রি-কেথরিনা রিথেগা ঙরাং বরলিনদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনি অসিনা লল্লেনা ইতিক, টেকে ালোজি, গ্রীন ইনর্জি, ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং স্কিলগী লমদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা তেংবাংননবা খন্নখি। শ্রী গোয়লনা ইকোনোমি অমসুং ফাইনান্সিয়েল পোলিসি এদভাইজরগসু উন্নখি। তুংদা, শ্রী গোয়লনা জর্মনগী মীটেলস্তেন্দ কম্পানিশিংগী লুচিংবশিং অমসুং সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা লল্লোন ইতিক্কী লমদা তেংবাং পীননবা খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিংঙোল চাক্কৌবগী ছুতি লৈখিবনা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি পুলিসনা আইন কায়না পোপী থারম্বা লম হেক্তর মঙা থেংনবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা লাকপগী ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা থা অসিগী ২৯ দা গেনা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমস, গানফিয়ু মেল অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং দা চামদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা রাজ্যশিংগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংনা ভোটর লিষ্টকী স্পিসিএল ইনটেন্সিপ রিভিজন (এস.আই.আর) থৌরাং তৌনবা খঙহনখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ

ওইনা ফোংলি।

শিল্লোংদা রাণি গাইদিনলিয়ু স্পোর্টস মিট পাঙথোকখিবগী পাউ ‘দা চাম’ দা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।